থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# নুংশিবই মীংদা ধর্ম্মগী লান




ইংলিস হায়বা লোন অসি মালেমসিদা লৈরিবা লোনশিংগী মরক্তা খ্বাইদই ঈনাক খুনবা লোন অমনি শীংথানৈ। খ্বাইদই মশীং য়াম্না মীশিংনা ঙাংবা লোননি। ইন্তরনেসনেল কম্যুনিতিশিংগী ফাওন লোন (লিংগুআ-ফ্রাঙ্কা) হায়বদুনি ‘ইংলিস’। ইংলিস লোন্না ঈনাক খুল্লিবা অতোপ্পগী মরল ওইবা লোন কয়া পুদুনা মাগী ওইনা শীজিন্নবনি। লেতিন, গ্রীক, রুসিয়ন, সংস্কৃত, হিন্দি, তুকিস, আরাবিক ... ইংলিসনা পূদবা লোন লৈতে হায়বা য়াই। খুদম অমা-অনীখক্কী নত্তে, লীশিংলোমদা লৈ। অমা-অনী খুদম ওইনা পঞ্জররোই।

ঙসি ঐনা, ইংলিস ওইনা কন্না শীজিন্নরক্লিবা ৱাহৈ অমখক-মীয়ামগী পূক্লিং চিংশিঞ্জনিংলুই। মপানগী পাউচে তোয়না পাবা মীশিংদদি থোইনা নৌনা থোক্তবা, স্বায়গী মীশিং অসিদদি নৌনা থোক্কদবা ৱাহৈনি - জিহাদ! দিক্সন্যারিদসু হায়রমগনি-আরাবিক লোনদগী পূরকপনি। ৱাহৈসিগী চপচাবা ‘ৱাহন’ দি- ‘থাগৎনিংঙাই ওইবা পান্দম অমগীদমক কন্না হোৎনবা’ হায়বনি। ইসলাম ধর্ম্মগী ওইবা মীৎয়েংদগী য়েংলগা শীজিন্নবা ৱাহৈ অসি মওং কয়াদা ৱাহন্থোক পীনৈ, মরুওইনা ইসলাম-লাইনিং থাজদবা ময়ামবু নমদুনা ইসলাম ওলহনবা। ইসলামদা হকচিনবা, লাইনিং অসি শগে দাক্লিবা মখোয়নদি হায়গনি - মখোয়না হিংলিবা খুন্নাই অসি ফগৎহন্নবনি, ধর্ম্মগীদমক শোক্লবা লান মখল অমনি। মসিবু কৌই ইংরাজিদা ‘হোলি ৱার’।

তশেংবদি, ৱাহৈ অসিগী ৱারূ ওইরিবা থৌদোক অদু খৃষ্টিয়ানশিংনা মখোয়গী ‘অশেঙবা লম’ (হোলি লেন্দ) নি হায়না খঞ্জবা জেরুসলেমগী লম মচেৎ অমা মুসলমানশিংনা লৌশিনখিবদু অমুক হন্না লৌশিন্নবা খৃষ্টিয়ান-চর্চশিংগী শগোল তোংবা লান্মীশিংনা মুসলমানশিংগী মথক্তা লান্দাখিবা থৌদোকশিং অদুগী পাউখুম ওইনা মুসলিমশিংনা শীল্লকখিবা লাল্লোং অমনি- ‘জিহাদ’। শোক ১০৯৬ তগী ১২৯১ ফাওবদা খৃষ্টিয়ানশিংনা মুসলিমশিংগী মথক্তা ৮ (নিপান) লক লান্দাখি। খৃষ্টিয়ানশিংনা মখোয়গী অশেঙবা লমনি হায়দুনা ক্লেম তৌরিবা জেরুসলেমগী মফম অদুমক মুসলিমশিংনসু মখোয়গী অশেঙবা লমনি হায়না ক্লেম তৌরি। লম অদু খৃষ্টিয়ানশিংনা লৌশিন্নবা হোৎনরকখিবা চহী চনীরোম চথখিবা লান অদু মায়দি পাকখিদে। ধর্ম্মগীদমক শোক্লবা লান অদুবু ‘ক্রুসেদ’ হায়না খঙনখি। খৃষ্টিয়ানশিংগীনা ‘ক্রুসেদ’, মুসলিমশিংগীনা ‘জিহাদ’ - অনী অসি অমত্তনি। অখন্ননা ধর্ম্ম শগে দাকপই থবকসু তৌদে, অনীসিগী ৱাপাউ শন্দোকপা (মিসনেরি) শিং নত্তনা। ধর্ম্মগীদমক লান, হাৎন-শুনবা, ঈ-নাই তানবগী থবকসু তৌদে অনীসি নত্তনা। ‘ক্রুসেদর’ নৎত্রগা ‘জিহাদিষ্ট’ - অতৈ ধর্ম্মগী ইতিহাসতা থেংনরোই।

অসূম্না, অতোপ্পা লাইনিং লন্বী চৎপা মীশিংবু নমদুনা লাইনিং লন্বী হোংদোকহনবই থবক অসি মালেম শীন্না পাক্লা শন্না, চহী কয়া লেপ্তুনা চত্থরকপা, ঙসিসু লেপ্তুনা চত্থরিবা, থওইনা ‘মীসন’ অমা ওইনা চত্থবা লাইনিং লন্বী - খৃষ্টিয়ানিতি অমদি ইসলাম, অনী অসি খক্তনি।

ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তান অনী থোকখিবই ৱাহৌদগী ইন্দিয়াদসু হিন্দু-মুসলিম কাঙলুপঅনীগী মরক্তা নুংশিনরক্তবই ৱারী অমদি অমগা অমগা হাৎতোক্লবই ৱারী তাবা হৌরকখি। নমদুনা ধর্ম্ম ওলহনবগী ৱারী ইতিহাসতা য়াওরকখি। ঙসিদি, ২০০৯ দগী অনৌবা ৱাহৈ অমা থোক্লকই। ৱাহৈ অনীনা শেম্বা ৱাহৈ-ৱাপা অসি, মরু ওইনা ইলেক্সন অমা নকশিল্লকপা খুদিংদা হেক হেক মথি ফোংলকই। চহী অমগা থা অহুমলোমদা ঙায়সিল্লক্লবা পার্লিয়ামেন্তরি ইলেক্সনসিগী মতমসিদা অমুক তাবা হৌরক্লে - ‘লব জিহাদ’। লব জিহাদ! মীতৈলোন্দা করি হায়না হনগনি? নুংশিবগী মীংদা ধর্ম্মগী লান হায়না হনগদ্রা? মদুসু চানফাত্তে। মরমদি, জিহাদ হায়বা ৱাহৈসিনা কোনশিল্লিবদি ইসলাম লাইনিংখক্তনি। ৱাহৈ-ৱাপাশিনা খঙনরিবসু- মুসলিম নুপাশিংনা হিন্দু নুপীশিংবু থেমদুনা নুংশিবই লীলা শান্নরগা মুসলমান-নুপী ওন্থোকপগী থবক অদুবুনি। অশেংবা নুংশিবা, থম্মোয় থম্মোয় শকখঙনবদু নত্তবা। থম্মোয়গী ওইবা ইমোসনেল লব অদু নত্তবা, কনাগুম্বা খরনা শেল চাউনা পীরগা হিন্দু নুপী য়ারিবমখৈ মশীং য়াম্না মুসলিম পাখঙশিংনা লুহোংদুনা লৌরবদি, হিন্দু-মীশিং হন্থরকপা মুসলিম মীশিং হেনগৎলকপা, মশানা তারবা ৱাফমনি। মমাংঙৈগী ঈ-নাই তানরগা নমদুনা ধর্ম্ম ওলহনবগী চঙখোন্না প্লান তৌরব খোঙথাং অমনি - হিন্দু ফন্দামেন্তেলিস্ত কাঙবুনা খল্লি। ৱাখল্লোন অসিনা অনৌবা সোসল দিসহার্মোনি (কাঙলুপ মশেল নুংশিনদব) গী মরু অমা হুলহল্লি। অতোপ্পা কম্যুনেল ভাইওলেন্স (অমগা অমগা হাৎতোক্লবা) অমা থোক্লবগী মচাক ওইহল্লি। লব-জিহাদ, ৱাহৈ অসি থোরক্ত্রিঙৈ হান্নদগীসু মুসলিম নুপী অমনা হিন্দু নুপাদা ওঙলবা, নুপী অদু শিখিবগা পাংখক ওইনা মুসলিম খুন্নাইনা/ইমুং মনুংনা ইন্থোকই, হিন্দু নুপীনা মুসলিম পাখঙদা ওঙলবদি ময়াম চঙদুনা ময়ুম শাবী, ইঙ্খোল লৈবী হায়নবা ৱাহায়সু লৈবনি। হান্নগী পাউথোক অমা লৈবনা, কেরালা অমদি কর্নাতাকালোমদগী থোক্লকখিবা লব-জিহাদকী পাউ নিনখোল/কন্সেপ্ত অসি অচুম্বা মানবা পাউ (তোকঙা) ওইনা লম্মৈ শন্দোকপগুম শগে দারকখি। মীয়াম্নসু থাজখি। তশেংনা মশা মশা য়ানরগা, নুংশিনরগা চেনজবা অদুসু ‘লব-জিহাদ’কী থৌওংনি - পাউচেশিংদা ফোঙলকই।

অদুবু, ৱায়েনশঙগী য়াথং মতুংইন্না, কর্নাতকা, কেরালা, য়ু পি অমদি অতোপ্পা ষ্টেট কয়াদা পুলিসনা থিজিন-হুমজিন, ৱাহং-পাউহং তৌখিবগী রিপোর্ত মতুংইন্নদি কনাগুম্বা মীওই নৎত্রগা রিলিজিয়স ইন্সতিত্যুসন অমত্তনা শেল থাদদুনা থবক অসি পাঙথোকহল্লম্বগী খুদম চাংদমদি থেংনদে হায়। পুলিসকী রিপোর্তনা অমনি। মীয়ামগী থম্মোয়নদি খল্লি- লব জিহাদ অনৌবা মীসন অমনি।

লৌশিং পুক্কে

# মীওই অয়াম্বনা চানরিবা ভিটামিনশিং



তোঙান-তোঙানবা হীদাক শাবা কম্পেনিশিংনা কান্নদবা মওংদা মীয়াম্বু ভিটামিন পীজরগা য়াম্লবা শেনফম অমা তান্নবা হোৎনরি হায়না হেল্ঠ এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

মোনাস য়ুনিভর্সিটিদা দিপার্টমেন্ট ওফ ইপিদিমিওলোজি এন্দ প্রিভেন্টিব মেদিসিনসগী প্রোফেসার ওইবা কেন হার্ভেনা হায়খি, মীওই অয়াম্বনা কান্নদবা মওংদা ভিটামিন চাদুনা অরেম্বদা শেল অমসুং মতম মাঙহল্লি। অখন্নবা মীওই খরনা ভিটামিন অমসুং সপ্লিমেন্ট চাবগী তঙাইফদবা লৈরবসু মীওই অয়াম্বনা কান্নদবা মওংদা ভিটামিন চাদুনা অরেম্বদা য়াম্লবা শেনফম অমসুং মতম মাঙহল্লি। কম্পেনি অয়াম্বনা পুথোক্লিবা ভিটামিনশিংদা হাপ্লিবা মচলশিং হেনগৎহনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

দেকিন য়ুনিভর্সিটিগী স্কুল ওফ এক্সরসাইজ এন্দ ন্যুট্রিসন সাইন্সেসতা এসোসিয়েট প্রোফেসার ওইবা টিম ক্রোনা হায়খি, কনাগুম্বা মীওই খরনা অখন্নবা সপ্লিমেন্ট চাবগী মথৌ তাই। খুদম ওইনা মীরোনবী নুপীশিংনা ফোলিক এসিদ চাবা অমসুং এনিমিয়া ওইরবা নুপীশিংনা আইরন চাবগী তঙাইফদবা লৈ। মতাং-মতম অমসুং মথৌ তাবগী মতুংইন্না



হায়রিবা সপ্লিমেন্টশিং অদু চাগদবনি। অদুবু কান্নদবা মওংদা মীওই অয়াম্বনা অরেম্বদা ভিটামিন চান্নরি।

এসোসিয়েট প্রোফেসার ক্রোনা হায়খি, হন্থবা চাংদা ভিটামিন মখল খুদিংমক য়াওবনিনা মল্টিভিটামিন চাবদা থোইদোক্লা অকায়বা লৈতে। হেঞ্জিন্না ভিটামিন চারবসু খুদোংথিনিংঙাই ওই। খুদম ওইনা হায়রবদা আইরন ৱাৎপা মীওইশিংনা আইরন সপ্লিমেন্ট চাবগী তঙাইফদবা লৈরবসু কান্নদবা মওংদা মীওই খুদিংমক্না আইরন চাবা তারবদি খুদোংথিবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই।

দাইটিসিয়ন্স এসোসিয়েসন ওফ ওষ্ট্রেলিয়াগী ডা. ট্রেন্ট ৱাটসননা ফোঙদোকখিবা মতুংইন্না মীওই খুদিংমক মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাদবা তারবদি ভিটামিন নৎত্রগা ফুদ সপ্লিমেন্ট চাবগী থোইনা কান্নবা লৈতে। মচল শুনা য়াওবা চীঞ্জাক (বেলেন্স দাইট) চারবা মতুংদা অৱাৎপা খরা অদু মেনখৎনবগীদমক ফুদ সপ্লিমেন্ট নৎত্রগা ভিটামিন চাগদবনি।

ওষ্ট্রেলিয়ন সেল্ফ মেদিকেল ইন্দষ্ট্রি রেগ্যুলেটরি এন্দ সাইন্টিফিক এফিয়ার্সকী দিরেক্টর ষ্টিভ স্কার্ফনা হায়খি, মথৌ তাবগী মতুংইন্না অকক্লবা চাংদা ভিটামিন চাবগী কান্নবা লৈ। অদুবু কান্নদবা মওংদা মীপুম খুদিংমক ভিটামিন নৎত্রগা ফুদ সপ্লিমেন্ট চারবদি হকচাংদা খুদোংথিবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই।

দাটিসিয়ন্স এসোসিএসন ওফ ওষ্ট্রেলিয়াগী হা. ট্রেন্ট ৱাটসননা হায়খি, ব্লদ টেষ্ট তৌদুনা অকক্লবা ভিটামিন নৎত্রগা মিনরেল ৱাৎলি হায়বা ময়েক শেংনা খঙদোক্লবা মতুংদা ৱাৎলিবা শরুক অদু মেনখৎনবা সপ্লিমেন্ট চাগদবনি। কান্নদবা মওংদা ভিটামিন অমদি মিনরেল হেঞ্জিন্না চাবগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, হকচাংদা নিয়াসিন (ভিটামিন বি-৩) হেল্লবদি উনশা অমসুং লিভর শোকই। ভিটামিন সী হেল্লগনা গ্যেষ্ট্রোইন্টেষ্টিকেল ট্রেক্টতা অকায়বা থোকহন্দুনা খোঙ হামথরকপা য়াই।

ভিটামিন এ হেনবা মতমদা লিভর শোকপা, পূক্নুংগী অঙাংদা অকায়বা থোকহনবা অমসুং উপা ঙন্বগী মতিক ময়াই হন্থরকপা য়াই। ভিটামিন দি হেল্লগনা কিদনি, হার্ট অমসুং ঈ উতোংদা কেলসিয়ম পৈশিল্লকপা য়াই। হকচাংদা ভিটামিন ঈ হেল্লবদি ব্লদ ক্লোটিংদা অপনবা থোকহল্লি। কেলসিয়ম হেল্লবদি খোঙ হাম্বা য়াহন্দবগা লোয়ননা কিদনি অমসুং ঈশিং মরীদা নুঙ লৈরকই। মেগনিসিয়ম হেল্লবদি খোঙ হামথহল্লি। পোটাসিয়ম হেল্লবদি হার্টতা অপনবপা থোকহনবগা লোয়ননা মশল শোন্থরকই অমসুং ওন্নিংলকই। আইরন হেল্লবদি গ্যেষ্ট্রোইন্টেষ্টিনেল প্রোব্লেম থোকহনবগা লোয়ননা হকচাং চোকথরকই অমসুং হকচাংগী কয়াৎশিং মাঙ তাকহল্লি। জিঙ্ক হেল্লবদি ওবা-ফায়বা তৌহনবগা লোয়ননা চানিং-থক্লিংবা ফাওহন্দে।

পুম্নমক অসিগী য়েংলুরগা মীপুম খুদিংমক নীংথিনা টেষ্ট তৌরগা ইশাগী অৱাৎপা ভিটামিন অমসুং মিনরেল অদুতমক চাগদবনি হায়না মোনাস য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসার কেন হার্ভেনা ফোঙদোকখি।

# মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন ইন্সটিট্যুটকী শেল তিংনা দিরেক্তর হাপ্লগসু থবক্তি পাঙথোক্তনা লৈরি



নোমিতা খোঙবান্তাবম

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি২৩(ঐচ এন এস): মণিপুরদা ফিল্ম পোলিসি চৎনহনবা ঙমদনা ঙসি ফাওবা লাক্লি। মসিগীসু মথক্তা কুমজা ২০১৬ গী মতমদগী মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন ইন্সটিট্যুট লীংদুনা দিরেক্তরগী পোষ্ট হাপ্তুনা থম্লক্লি। দিরেক্তরগী তলবতি ফঙলি অদুবু লৈঙাক্লা থবক পায়খৎতবা, মমীং খক্তগী ওইনা লীংদুনা অরেম্বদা তলব লৌদুনা লৈবগা পাঞ্জক ওইহল্লে।

কুমজা ২০১৬ গী সেপ্তেম্বর থাদা ফিল্মগী পোলিসি চৎনহন্নবা মমাংগী কোংগ্রেস লৈঙাক্কী কেবিনেটনা অয়াবা পীখ্রে। মসিগী মতুং লৈঙাক্লা মণিপুর ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন ইন্সটিট্যুটকী দিরেক্তর হাপ্তুনা থম্বীরম্লবা মতুং ঙসি ফাওবা ঙসিগী লৈঙাক্লা থবক পায়খৎতনা লৈরকপদা পেন্দবা পোক্লরে।

মণিপুর ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন ইন্সটিট্যুটকী মতাংদা ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট সমজেৎশাবম মঙ্গোলজাওনা ফোঙদোরকপদা, মণিপুর ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন ইন্সটিট্যুট লীংখৎতুনা বিল্ডিং শাদুনা লৈরে। দিরেক্তরসু মিলোপাল মজুন্দর ফিল্মগী শক্লাইরব, মণিপুরগী মপান্দগী হাপ্তুনা থম্লম্লবনি। অদুবু ঙসি ফাওবদা চহী অনী অসি তলব লৌদুনা লৈহল্লে। ইন্সটিট্যুসন অসিগী মথৌ মণিপুর লৈঙাক্লা তৌহন্দনা থম্লক্লি।

ফিল্ম পোলিসি চৎনহন্নবা অমদি ইন্সটিট্যুসন অসিদা ফিল্ম তম্নিংবশিংনা তম্বা ফঙহন্নবা হায়দুনা ঙসিগী লৈঙাক্তা তক্লদুনা লাকখি। মমাংগী লৈঙাক্কী মতম ২০১৬ গী সেপ্তেম্বরদা কেবিনেটনা অয়াবা পীরম্লবা ফিল্ম পোলিসিনি। অদুবু অনৌবা লৈঙাক লাকপা মতমদা তুমিন্না নমশিন্দুনা লৈরকখিবনি। ইন্সটিট্যুট লীংদুনা দিরেক্তর হাপ্লগা থবক্তি পায়খৎতনা লৈরক্লি। ফিল্ম পোলিসি চৎননবা মীয়ামগী অয়াবা, অপাম পামদা ফোঙদোক্লবা থা অমা মতম পীখি, থা অমা ঙাইখি। অদুবু কনাগুম্বা অমত্তনা অয়েৎপা পীরকপা লৈতবনা চৎনবা য়ারে হায়বসি থা অনিগী মতুংদা লৈঙাক্তা মেমোরেন্দমসু পীজখিবনি হায়রি।

মপান লমদা তম্বা ঙমজদ্রবশিং মণিপুরদা তম্বা ফঙলগনি হায়না নুংঙাইবা পোক্লখি। পুনেদা তম্বা চৎত্রবসু য়ারে হায়বগী ৱাখল্লোনদা লৈনখিবনি। ফিল্ম চাউখৎনবা অহলশিংনা ফনা কন্না হোৎনজরম্লবসু মতম মতমগী পানখিবা লৈঙাক্লা পায়খৎপীদনা লৈরকপা অসিনা ঙসি ফাওবদা ফিল্ম পোলিসি চৎনহনবা ঙমদনা লৈরি। অহলশিংগী মতমদগী ঐখোয়গী মতম অসি ফাওবদা চৎহনবা ঙমদ্রি। অদুনা ইচা-ইশুশিংদা অৱাবশিং অসি থোক্তনবা হায়দুনা পোলিসি চৎননবা তক্লরিবনি। অদুবু লায়বক ফবদগী এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা এসেমব্লীদা পুখৎপীবদগী ওগষ্টতগী চৎনরগনি, ইন্সটিট্যুট হাংলগনি তাবদা নুংঙাইবা পোকই।

মণিপুরী ফিল্মগী লাইবক থিবা অমনা শেল লৈতে। আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী মনুংদা লৈবনা য়াম্না ৱাই। মরমদি আর্ট এন্দ কলচরগী বজেটতগী খরা খরা খায়দোক্লগা হোৎনবনিনা শেল লৈতবগী অৱাবা মায়োক্লে। শেল পায়বা থিকাদারশিংনসু ফিল্ম পুথোকপীদবনা ঐখোয় মশেল খক্তনা পুথোকপা অসিনা ৱাবনি। অফবা ফিল্ম পুথোকপা হায়বসি শেল চঙই হায়বসি মীয়াম্না খঙই। মরমদি কম্পিটিসন য়াওগদবা মরম্না শেল চঙনা খুৎ থারক্কদবনি। কম্পিটিসনদা মায় পাক্লগনা কান্নবা অমদি মীংচৎ ফঙগদৌরিবনি। মায় পাক্তবা মতমদা শেল মাঙলিবনি। অদুনা শেল খজিত্তুং হল্লকপা য়ানবা লন্বী থিবনি। মসিদা মীয়াম্নদি চুম্নগী ওইবা ফিল্মদা মসলা থাকই, থাক্তে ঙাংনরিবনি। অফবা ফিল্মদা খুৎ থাবা ঙমদবগী মরমসু শেল চঙবননি। ফিল্মদা চেঞ্চোংজরিবশিংনা নারক য়েক্লকপদা মতেং পাঙবীনবা লৈতে। ঐখোয় মশেলনা হৈক্রু মনাদা য়োম্লগা পীবা তেঙবাং অসিনা করি তৌগনি। অহল ওইরক্লবা মতমদা করিসু পীবা ঙমদে। পেন্সনসু ফঙবা নত্তে হায়খি।

ফিল্ম পোলিসি অসি চৎনরবদি পোলিসিদা লোয়না য়াওজবা মরম্না অৱাবা খরদি হন্থরগনি। ইন্দষ্ট্রিনি হায়না লাউথোক্লবনিনা বেঙ্কতগী লোন লৌবসু য়ারগনি। লৈঙাক্কী গ্রান্টসু পীরক্লগনি। ফিভম অসি লাক্লবদি অফবা ফিল্ম পুথোকপা ঙম্লগনি। মণিপুরী ফিল্মনা নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনলগী এৱার্দ কয়া লৌরকখ্রবনি। ফিল্মনা মণিপুরগী মায় কয়া ঙাকখ্রে। ফিল্ম হায়বসিদা তোঙানবা আর্ট হায়রগদি কম্পোজিৎ আর্টনি। অপুনবা আর্ট কয়া য়াওবা জগোয়, ঈশৈ, লাই য়েকপবু ওইরবসু মণিপুরগী ফিজেৎ চাকচা, চৎন-লোনচৎ, চাকচা-য়ুথক্ল চিংবশিং ভিজ্যুয়েলাইজ তৌদুনা উহল্লিবনি। ইন্টলেকচুয়েল পর্সন খক্তা নত্তনা অঙাং ফাওবদা খঙহনবা, উহনবা ঙম্বসি ফিল্মননি। খঙবা, উবা ঙম্বা য়াম্না ফোর্সফুল ওইবা আর্ট হায়রগদি ফিল্মনি। অদুনা ফিল্মনা মণিপুরগী কলচর মশক তাক্কদৌরিবনি।

মণিপুরগী ফিল্ম পোলিসি চৎনহনবা হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা লমদমসিগী হেন্না মীংচৎ পুরক্লবগী মফম অমসু ওইরিবনি। মণিপুর কলচরনা মশক তাকপগুম্না মণিপুর ফিল্মনসু মণিপুরবু মশক তাক্তুনা লাক্লিবনি। মণিপুরী ফিল্ম চাউখৎনবা হোৎনবদা ফিল্ম পোলিসি চৎনহনবা তঙায়ফদে। চহী অনী ফারক্লবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন ইন্সটিট্যুট লিংদুনা দিরেক্তর হাপ্তুনা ফ্রিদা তলব পীদুনা থম্বা মান্না লৈরিবা অসি অথুবা মতমদা থবক পায়খৎনবা মণিপুর লৈঙাক্লা হোৎনহন্নিংই হায়না মঙ্গোলজাওনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# জে এন ভি উমাথেলগী চীংদা শকখঙদবশিংনা লাম্মৈ থারম্লে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি২৩(ঐচ এন এস): ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা, ৱাইখোং পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা জৱাহরলাল নেহরু বিদ্যালয়া (জে এন ভি) গী মনাক্তা লৈবা চীংদা শকখঙদবশিংনা মৈ থারম্বদগী বিদ্যালয়া অসিগী মহৈরোয়শিং অমদি মণিপুর ফায়র সর্ভিসকী কাঙবুনা কনখ্রে।

থৌদোক অদুগী মতাংদা মহৈরোয়শিংনা ফোঙদোরকপদা, ঙরাং বিদ্যালয়া অসিদা এ বি ভি পিনা লেকচর প্রোগ্রাম অমা তৌরিঙৈ মতমদা খঙহৌদনা মৈখু য়াম্না কাবা উরকপদগী মহৈরোয়শিংনা য়েংলুবদা নবোদ্যা অদুগী মনাক্কী চীংদা মৈ চাক্তুনা লৈবা থেংনখি। খুদক্তা মহৈরোয়শিং অমদি ওজা কয়ামরুম থোরক্তুনা মৈ অদু মুথৎনবা হোৎনখি। মতম অদুদা মণিপুর ফায়র সর্ভিসকী কাঙবু অমসু লাক্তুনা মৈ কনবদা শরুক য়াখি হায়রি।

মমাংদসু হায়রিবা মফম অসিদা শকখঙদবশিংনা মৈ থারম্বগী থৌদোক লৈখ্রে। মৈ অদু মতৌ করম্না চাক্লকপনো হায়দুনা থিরুবদা উমাথেলগী অকোয়বদা ইঙ্খোল কোয়রিবা অমদি অনকপদা লৈরিবা মীওইশিংনা অমোৎ অকায়শিং মৈ থারম্বদগী শম্নরকপা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

থৌদোক অসি চহী খুদিংগী অদুম্মক থোকই। মরম অদুনা জে এন ভি উমাথেলগী অকোয়বদা লৈরিবা বাউন্দরি ৱালগী ফেন্সিং ফজনা খাবীনবা মরী লৈনবশিংগী পুক্লিং চিংশিল্লক্লি। লোয়ননা জে এন ভি উমাথেলগী থক্ল-চানবা থম্বা ঈশিং ফাওবা মৈ কনবা অদুদা শীজিন্নখি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

Ph.No. 8787690436 Ph.No. 8787690436
SANGAI TUITION CENTRE
KAKWA BAZAR (LSWC BUILDING), IMPHAL EAST - 795008
NEW FOUNDATION COURSE
FOR CLASS X, XI & XII (Arts & Science) BOSEM, COHSEM & CBSE
CLASS X: CLASS START ON 5TH FEB. 2018
CLASS XI & XII: CLASSES START ON 10TH MARCH, 2018
HURRY UP! Morning: 4:30 am - 7:15 am Evening 4:30 pm - 7:15 pm LIMITED SEAT
Special Attraction: # Printed Study Materials VAN SERVICE HOSTEL FOR BOYS & GIRLS
HL-P/3092/28Jan/27Feb.

STUDY MBBS IN CHINA
Admission for MARCH Session 2018 for CHINA
LAST CHANCE WITHOUT NEET (AIPMT)
(NEET Compulsory from September Session)
* Approved by MCI.
* Indian syllabus and faculty in the Campus.
Limited seats
Note: Tuition and Hostel fee 2.10 Lac per years.
* Last Date of Admission 28 February 2018.
PLZ Contact: - Atawar Rahman, A.S. Education Trust, Khergao Thambalkhong, Near Cambridge School, Old Campus Imphal.
Contact Nos.: 8974084294, 9615706900, 8794249895.
HL-B/4488/10-24Feb.

ADMISSION OPEN
ENGLISH COACHING
For
➢ COMPETITIVE EXAMS (Bank PO, Civil Service etc.)
➢ BOARD EXAMS (IX, X, XI & XII)
At
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact Nos. ☎ 8974642764
HL-B/4501/17/2-24/3